# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-07-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি আইননা য়াদবা থবক তৌবা মীওইশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চথ্খরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা লৈরোংথেল পিত্রাদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এলগী মীওই অমা ফারে। মীওই অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি থৌবাল জিলাদগী নৌনা লুপ অসিদা য়াওহন্নবা হোৎনরম্বা মীওইনি।

অমরোমদা, আর.পি.এফ-পি.এল.এগী নুপী কাডর অমা মশাগী ময়ুম থৌবাল জিলাগা ওইনাম শওম্বুং ময়াই লৈকাইদগী ফারে। মহাক তম্পাক্তা লৈবা স্কুল, স্কুলগী ত্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসনশিং, দুকানশিং অমদি লল্লোন ইতিক্কী মরি লৈনবা মফমশিংদগী শেল খোমগৎপদা চেন্নবনি হায়রি। মঙোন্দগী মোবাইল হেন্দসেট অহুম য়াওনা অতৈ চে-চাং কয়া ফাগৎলে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা সলাম মমাং লৈকাইদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমসু হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা সক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি। মহাক মীয়ামদগী শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীশকনি। মঙোন্দগী মোবাইল হেন্দ সেট অহুম য়াওনা মীয়ামদগী শেল খায়বদা শিজিন্নবা পোৎলম খরসু ফাগৎখি।

জিরিবাম জিলাগী এফ.সি.টি. চেক পোষ্টতা গাড়িশিং চেক তৌবদা টাটা ত্রক অমদা পুরকপা গঞ্জা কিলোগ্রাম ২২০ ফাগৎপা ঙমলে। নোনে জিলাগী খুমজি ভিলেজতগী গাড়ি অসিবু থৌরকপা দ্রাইভরসু ফারে। মনিপুর পুলিসনা চুরাচান্দপুরগী বিহাং বস পার্কিংদগী মীওই অমদগী ব্রাউন্দ সুগর গ্রাম ১৬৮

ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অসি চুরাচান্দপুর জিলাগী তোনজাং ভিলেজতগীনি হায়রি। মহাকা হায়দোরকপদগী মীওই অমসু পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অনি অসিনা শিজিন্নরম্বা হোন্দা এক্তিভা অমসু ফাগৎখি।

মনিপুর পুলিসনা নিয়ম লান্না গাড়িশিংগী মথক্তসু লেপ্পা লৈতনা ফাগৎপগী থবক চথুরি।

**কার্গিল(এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপগুম মনিপুরদসু ঙসি কার্গিল বিজয় দিবস থৌরম পাঙথোক্কনি।

রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং দি.জি.পি. রাজিব সিংহ শরুক য়াগনি।

নীংশিংবা য়াই, ভারত অমসুং পাকিস্তানগা ইং ১৯৯৯ দা শোকখিবা কার্গিল লালদা ভারতনা মায় পাকখিবা অদুবু নীংশিংবা অমদি লাল অদুদা থৱায়না পোন্থা পীখিবা লান্মীশিংবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

**প্রসার (এল)ঃ** প্রসার ভারত্তিগী মখাদা অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল ন্যুজ য়ুনিটকী ওইনা ফুল টাইম কন্ট্রেক্ট বেসিস্তা এদিটোরিয়েল একজিক্যুতিব-ন্যুজ রিদর কম ত্রান্সলেটর (মনিপুরি) লৌননবা এপ্লিকেসন থাজিনখিবা কেন্দিদেটশিংগী মরক্তগী তঙাইফদবা ক্বালিফিকেসন শুরবা, পোষ্ট অসিগী রিটন একজামিনেসনদা শরুক য়াবা য়ারবা কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট থোক্লে। লিষ্ট অসি অকাশবানি ইম্ফাল, পেলেস কম্পাউন্দগী নোটিশ বোর্ড নত্রগা রিজনেল ন্যুজ য়ুনিট, অকাশবানি, ইম্ফালদগী খঙবা য়াগনি।

**পিএমঃ** ভারত অমসুং মোলদ্বিপসকা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা য়ান্ন-ৱারোল কয়া সহি তৌনখ্রে। য়ান্ন-ৱারোলশিং অদুগী মনুংদা ফিসরিজ অমসুং এক্কা কলচর অমসুং দিজিটেল সোলুসননচিংবা য়াওরি। ভারতনা লৈবাক অসিদা লাইন ওফ ক্রেদিটতা লুপা কোতি লিশিং ৪,৮৫০ থাদরগনি। মসিনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেল থুমগী লমদা চাউনা মতেং পাংবা ঙম্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ইন্দিয়াজ বাইয়রস ক্রিদিটকী মখাদা হুল হুমালে বিল্টতা শাবা সোসিএও হাউজিং য়ুনিট লিশিং ৩,৩০০ মীয়ামদা খুৎশিন্নখি। শ্রী মোদিনা অদু সিটিদা লম্বী অমসুং ইরম-নালাগী প্রোজেক্ট য়াওনা কম্ম্যুনিতি দিবলপমেন্ট প্রোজেক্ট তরুকসু শঙ্গাখি।

মহাক্কী মোলদ্বিপসকী খোঙচৎ লোইরবা তুংদা শ্রী মোদিনা তামিল নাদুদা ঙসি চৎকনি। মহাক্কী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ মনুংদা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরা শঙ্গাগনি খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা নুমিৎ নিনিগী ওইবা নেসনেল সেক্যুরিতি ষ্ট্রেটেজিস কনফরেন্স ২০২৫ হৌদোকখ্রে। লৈবাক অসিগীদমক্তা থৱায়না পোন্থনা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদসু শ্রী সাহনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মীফম অসিদা ঙসি শ্রী অমিত সাহ ৱা ঙাংগনি।

**ৱেবঃ** মীয়ামনা য়েংবা নুংঙাইতবা কোন্টেনশিং উৎপা ও.টি.পি. ৱেব সাইটশিং অমসুং এপ ২৫ কেন্দ্র সরকারনা থিংজিনখ্রে।

কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না হায়-হায়রিবা প্লেটফোর্মশিং অসিদা মীয়ামনা য়েংবদা নুংঙাইতবা কোন্টেনশিং য়াওবা থেংনরে। মসিগী য়েংলগা কেন্দ্রগী মন্ত্রালয়শিং-গৃহ, ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট,

ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি, দিপার্টমেন্ট ওফ লিগেল এফিয়ার্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা নুপী অমসুং অঙাংগী হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিসশিংগা তান্নরবা মতুংদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৪ শুবা ইপিসোদ হয়েং, অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ুট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং মশক খঙদোকপদা ঙাকা চৎকদবা এস.ও.পি. খঙহনখ্রে, মীতোপ খঙদোকবা পুলিসনা থবক লৌখৎলে অমদি এম.ঐচ.এনা কুকিশিংদা ফ্রি মুভমেন্টকী প্রেসর পীরি। কুকি জোশিং য়ানিংবসু, য়ানিংদবসু য়াওরি হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পি.আর. মখা তানা শাংথবা অসি মীয়ামগী মায়োক্তনি হায়বা এম.পি.সি.সিগী ৱাফমনা পাউ-চে অসিমক্কী ইংলিস এদিসনদা ফোংলি।

লৈঙাকপা ঙমদ্রগা পি.আরবু খুৎলায় ওইনা শিজিন্নবগী থৌওং য়ানিংদে হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফমনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লৈঙাকা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলশিংগী ওজাশিংগী পীফম থোকপা থাগী তলব পীবিদে হায়না খোঙজং চংশিনখিবদগী নীংথিনা ক্লাস তৌদবদগী মায়োক্তা

মহৈরোইশিংনা হ্যুমেন চেন শেমখ্রে, অমদি ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং খন্দোকবা কাংলোন লৈতনা দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই হায়বা জজ এন্দ ফিয়ার দিলিমিটেসনগী ৱাফমনা পোকফম পাউচেগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

দি.আই.পি.আরনা মাই সিটি, মাই রেস্পোন্সিবিলিতি হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা সোর্ট ফিল্ম কম্পিটিসনদা দেবদরশন গুরুময়ুমগী-তমজনিংঙাইনা অহানবা মনা ফংলে হায়বা পাউ অসিনা মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী প্রোজিক্যুটর হাপখিবা অদু চৎনহন্দনবা কোর্টতা রিট আপিল তৌদুনা চেল্লেঞ্জ তৌখ্রে অমদি পুলিস হেদক্বাটর অমদি রাজ ভবন মমাং ফাওদুনা চাউরবা উজাউ কয়া পুরকপা লেপত্রি, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা উনা উনা উশিন্নদব্রা হায়বা পাউ অমা ফোটোগা কোন্ননা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লোক সভাদা জল শক্তি মন্ত্রি-ভি. সোমানানা জল জিবন মীসনগী মখাদা মনিপুরদা লৈরিবা য়ুমথোংগী চাদা ৮০ থকনবা ঈশিং ফংহল্লে হায়বা অদু মীয়ামনা য়াখিদ্রে অমদি মহৈরোইশিংনা ওজাশিংনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিগী মরক্তা মহৌশাগুম ক্লাস চথুবীনবা দিমান্দ তৌখ্রে হায়বা পাউশিং অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এনক্রোচরশিংগী মথক্তা প্রসিদেন্ট রুল লৈঙাক্কী ইভিক্সন-থঙ্গাল কৈথেল অমসুং এম.জি. এভিন্যুদা মশা মশানা শিদোকরি। জ়লাই ৩০ দা মহুদনা শিনদুনা ধরমশালাদা মীফম পাঙথোক্কদৌরি। সেন্সস এক্ট ১৯৪৮ কী সেক্সন থ্রিগী মতুং ইন্না মনিপুরগী সেন্সস মতম খরা থৈদোকপা চুমগনি হায়বা পাউশিংনা হুইয়েন লানপাউগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-ফুদ সেফতি এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা জিলা অদদ্ ফুদ ফোরটিফিকেসন অমসুং চাননবা পোৎলম য়োল্লিবা মীওইশিংদা ফুদ সেফতিগী মতাংদা এৱারনেস কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

এম.এল.এ. লেতপাউ হাউকিপনা তেংনৌপল জিলাগী দি.সি, জিলা অদুগী হেদক্কাটরদা লৈরিবা ওফিসতা মথৌ তৌহন্নবা গভনরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা গানফিয়ু মেলগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

চেংদাই খুলদা কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয়গী ওফিসিএলশিং অমদি চেংদাই য়ুথ ক্লবনা পুন্না এক পের মা কে নাম কেম্পেইনগী মখাদা উ চারা কয়া থোখ্রে হায়বা পাউ অসিনা তমেংলোং টাইমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।